# লৌমীশিংগী য়াইফনবা তৌগনি হায়না লৈঙাক্লা লাওরবসু হারগী ৱাথোক অমুক থোক্লরে ঃ লাল

ইম্ফাল, জুন ২৯ (এস এন এস)ঃ

লৌমীশিংগী য়াইফনবা ঙাক্তা তৌগনি হায়না ঙসিগী লৈঙাক্লা লাওরবসু চহী খূদিংগী থোকপগুম হন্দকসু হারগী ৱাথোক অমুক থোক্লরে হায়না লৌমী শিন্মী অপুনবা লূপ (লাল) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা ফোঙদোরক্লি।

লালগী সেক্রেটরী এম বসন্ত সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট কলহৌরসি হায়রদুনা কুমগী নোং লাক্তবদগী লৌ পানবা য়াররোইদ্রা হায়না মীপাইনরিঙৈ, লৌবুক্তা ফৌ মরু অমত্তা তাদ্রিঙৈসিদা লৌমীশিংগী তঙাইফদনা শীজিন্নরিবা হার ফংবদা ৱারগদবা থৌশিল কয়া পুথোরক্লি।

লৌমীশিংগী য়াইফনবা থবক তৌগনি হায়বগী মায়খুম উপ্পগা হারগী ৱাথোক পাকথোক চাউথোরক্তনবা মোইথেম মানবা মওংদা মিনিষ্টর, এম এল এ খরদা লৌমীশিংনা শীজিন্নগদৌরিবা হার পীথোকখিবা হায়বসি মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমদি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী হৈথোই শিংথোইবা থৌশিলনি হায়না খক লৌবা ঙম্লোই। থৌরাং অসিদি মতমগী মীওই খরনা শেল তালহৌনবগী থৌশিলনি। হন্দক্তা মোরেদা হার বেগ ১৮০ ফাখিবা অদুনা খুদম ওইরবনি হায়রি।

লৈঙাক্লা ইফোং ফোংনা হার হুরাল্লগা য়োল্লিবা মীওইশিং ফারগা চৈরাক পীবা ঙমদবা হায়বসি করম্বা থৌশিলনো হায়না হংলদুনা লাইরবা লৌমীশিংদি অঙম অথৌশিংনা নৈহৎপদা করিসু খূৎ হনবা ঙমদে হায়বগী মতাগুম লিশাংশিংনা হুরানবা কয়া কনখৎতুনা লাক্লি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্লা কন্ট্রোল তৌরিবা হারগী মমল এম আর পিদগী হেনগৎনা য়োল্লিবা অসিগী মথক্তা চৈরাক পীবা য়াবা চৎন–কাঙলোন অমত্তা লৈত্রবরা হায়বগী ৱাফম থল্লদুনা অনা অয়েক্কী হিদাক এম আর পিদগী হেনগৎনা য়োনবা অমত্তা লৈতে। হারদি হেনগৎনা য়োল্লবসু তুমিন্না অদুমক লৈশিল্লি। লৈঙাক্লা অরানবা তৌবশিং চৈরাক পীরি হায়রগা নিয়ম কায়না এজেন্টশিংনা হার য়োল্লিবসিদি খঙজিন উশিন্নদনা লৈরি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লৌমীশিংনা হার লৌবদা অৱাবা চৈথেং লৈরোইদবা তুং কোইনা চৎনবা য়াবা কয়াৎ অমা অথুবা মতমদা শীনবিয়ু। দিষ্ট্রিক্টশিংদা হার ফংহল্লিবনি হায়রিবসি তম্পাক্কা তাইনরিবা চীংগী ইচিল ইনাও লৌমীশিংদি অসুক্কী মতিক অৱাবা ওইহল্লে। দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা চৎলগা হার লৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। হুরানবনা নুংঙাইনবা মওংদা অৱাংবা থাক্কী কোক থাদদুনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা শীল্লিবা অসিদি ফজদ–চকচাগী মওংনি হায়না লৌই।

লৌমীশিংগী য়াইফনবা অমদি অহেনবা পোখোক পুথোক্লবগী পান্দমদা দরকার ওইবা মরু মরাং লৌমী মীয়ামদা ফংহল্লু, মনা মশিং পুথোক্লিবা লৌমীশিংনা থারিবা মরু মরাংশিং কৈথেলদগী লৈরগা শীজিন্নবা ঙাক্তনি। দিপার্টমেন্টনা পীরিবা মরু মরাংশিংদি অহেনবা পোখোক পুথোকপদা মায় পাক্লে হায়বসি খঙবা তঙাইফদ্রে। লাইরবা লৌমীশিংগীদমক লৌখৎপা স্কিম কয়া মীওই খরনা মরন্নাইগী পুক্কে লনগৈগুম লৌরি। ঙসি ফাওবদা লৌমীশিংনা স্কিম কয়াগী কান্নবা ফংদনা লৈরি হায়নসু ফেঙদোক্লদুনা ৱারকপিনবা, থিজিনবিনবা লৈত্রবা মনিং তম্না হাইনা হুম্না হুরানবগী মকোন শাবগুম লৈরিবা দিপার্টমেন্ট অসি লৌমী মীয়াম্না মীকপ থোকহন্দুনা তুংলমচৎকীদমক কলহৌরসি হায়রি।

## কৈরাওদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (এস এন এস)ঃ

অলিগর মুস্লিম য়ুনিভর্সিটি এলুমনি এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা চৎখরকপা প্রোগ্রামগী মনুংচন্না এদুকেসন এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম ঙসি নুংথিল কৈরাও লিটান মখোঙ কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মহৈরোয়, নহারোল, শিন্মী, নুপী অঙাং, অহল কয়া শরুক য়াখিবা প্রোগ্রাম অদুদা এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী ডা. মকবুল অলিনা মচঙ ওইবা ৱারোল পীখি অদুগা রিছোর্স পার্সন ওইনা ইন্সপেক্টর ওফ পোষ্টেল নাসির অহম্মদ, এন আর ঐচ এমগী ফাইনান্স মেনেজর বরিয়াজুদ্দিন সহা, এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডা. হনিদুর রহমন, অলিগর মুস্লিম য়ুনিভর্সিটিগী লেকচরর এম দি মুস্তাফা, লিলোং হাওরৈবী কলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডা. সদিকুর রহমননা রিছোর্স পার্সন ওইনা তোঙান তোঙানবা হিরমদা ৱা ঙাংদুনা নৈনখি। সোসিয়েল ৱার্কর এম ভি রুস্তম, ওঝা অব্দুল হসিম, য়াকুপ অলি এস আইসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট রাজাক খান্না ময়াই ফমদুনা চৎখিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা তোঙান তোঙানবা হিরমদা মরীক চুম্বা ৱাফম কয়া থম্বগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী এদুকেসনগী ওইরিবা ফিভম অমদি মতৌ করম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াদগী ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা শুগায়না থমখি। মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু করম্না য়োক্কদগে হায়বগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি হায়রি।

## কলেজ ওঝাশিংগী দিমান্দ পীথোকপিনবা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট কলেজ টিচরস এসোসিয়েসন (অমক্টা)গী অথুবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি মীফম ঙসি ওরেন্টেল কলেজদা পাঙথোক্তুনা কলেজ ওঝাশিংগী পন্দুনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ইসু কয়া খন্নখিবগা লোয়ননা তানখিবা দিমান্দশিং অথুবা মতমদা পীথোকপিনবা গভর্ণমেন্টদা তকশিনবগী ৱারেপ লৌখ্রে।

অমক্টাগী জোইন্ট সেক্রেটরী পব্লিসিটি ডা. এম ইমোচা সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মপূং ওইনা ৭ শুবা য়ু জি সি পে স্কেল অমসুং পন্দুনা লৈরিবা এস সি এ অমসুং টি এ এল্লাউৱেন্স য়াওনা দিমান্দ ১০ থবক্তা ওহ্হোকপিদবদগী য়াম্না লূম্না লৌদুনা খন্নখ্রে।

দিমান্দ ১০ অসিগী মতাংদা চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১৪ দা গভর্ণমেন্টদা অইবা চেরোল পীদুনা নৌহৌননা নীংশিংহনখ্রে। অদুনা অচুম্বা অমসুং অশেংবা ফংফম থোকপা দিমান্দশিং থেংথবা তৌদনা থবক্তা ওহ্হোক্লবা গভর্ণমেন্টদা তকশিনবগা লোয়ননা অমক্টানা লৌখৎলকপা থবক খূদিংমক্তা কলেজ ওঝাশিংনা মপূং ফানা শরুক য়াবিনবসু আপিল তৌখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অমক্টাগী অশেংবা অচুম্বা দিমান্দশিংদা ওল ইন্দিয়া ফেদরেসন ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ কলেজ টিচরস ওর্গনাইজেসন (আইফুক্টো)না শৌগৎপগা লোয়ননা মপূং ওইনা রিভাইস তৌরবা ৭ শুবা য়ু জি সি পে স্কেল খুদক্তা চৎনহন্নবা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি।

ঙসিগী মীটিং অদুনা লাক্লিবা জুলাই ১৪ অমসুং ১৫ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা আইফুক্টো – এন ই সি অমসুং জোইন্ট ফোরম ফোর মুভমেন্ট ওন এদুকেসন (জে এফ এম ই) মীটিংদা অমক্টাগী প্রসিদেন্ট এম লোকেন্দ্রো সিংহ অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. টিঐচ নবচন্দ্র সিংহনা শরুক য়ারুনবা লেপ্পখ্রে। মখোয়না দ্রাফ্ট নেস্নেল এদুকেসন পোলিসি ২০১৯ গী মতাংদসু মত পীরুগনি হায়রি।

## এম এল এনা লুচিংদুনা লমদিংদা উ চারা থাখ্রে

থৌবাল, জুন ২৯ (এস এন এস)ঃ

খাঙবোক কেন্দ্রগী মনুং চনবা লমদিংগী লৈকাই ৫গী মীয়ামগা লোয়ননা এম এলএ ওক্রম সুর্জকুমারনা লুচিংদুনা ঙসি মহৈ চাবা য়াবা অমদি হিদাক শীজিন্নবা য়াবা পাম্বীশিং য়াওনা উ চারা কয়ামরুম থাখ্রে।

এম এল এ সুর্জকুমারনা হায়, উ চারা থাবগী থবক অসি লৈকাই লৈকাইগী ক্লবশিংগা খূৎশম্নরগা জুন ৫ ৱার্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেদগী চৎখরকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা খাঙবোক কেন্দ্রগী তোঙান তোঙানবা লম্বীগী নাক য়েত্তা উ চারা লিশিং ৩ লোম থাখ্রে। মালেমগী ওইরক্লিবা অহিং অশাগী অহোংবা অসিনা মরম ওইরগা উ চারা থাবগী থবক অসি নোংজু থা ফাওবদি চৎখিগনি।

লমদিংগী অকোয়বদা অমদি লম্বীগী নাক য়েত্তা হৌজিক চৎখরিবা উ থাবগী থবক অসি নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা চৎখিগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী উ চারা থাখিবা অদুদা লমদিংগী লৈকাই ৫গী ক্লবশিং এল ই দব্লিউ এ, ই ই ও, ৱাই দি সি, এস দব্লিউ সি, এস সি এগী থৌ পুবা অমসুং মেম্বরশিং, মৈরা পায়বীশিং শরুক য়াখিবদা নত্তনা সঙ্গাইয়ুম্ফম জিল্লা পরিষদকী মেম্বর হিবজুর রহমন, ৱাংজিং লমদিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ১ গী কাউন্সিল্লর এল সঞ্জিত, ৱার্দ নম্বর ৩ গী কাউন্সিল্লর মাইবম ইবোপিশক, ৱার্দ নম্বর ২ গী কাউন্সিল্লর শগোলশেম শান্তি দেবী অমদি ৱার্দ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

## পুং ৪৮ গী ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বন্দ লোইশিনখ্রে

ককচিং, জুন ২৯ (এস এন এস)ঃ

ষ্টেট অসিগী খা মায়কৈদা লৈবা স্কুলশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী লিরবা স্কুল অমা ওইরিবা কুমজা ১৯৩৫ দা লিংখৎখিবা ৱাবগাই হায়স্কুলবু মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল ফগৎহনসি মিসনদা য়াওরকখিদবগী মায়োক্তা শেমখিবা জোইন্ট এক্সন কম্মিটিনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা কৌখিবা পুং ৪৮ গী বন্দ থোকহন্নিংদবা থৌদোক ৱাথোক থোক্তনা ঙসি লোইশিনখ্রে।

বন্দ অসিনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মপূং ওইনা ৱাবগাই এরিয়াদা চাউনা অকায়বা পীখি। ঙসিসু হিয়াংলম ৱাবগাই লমখাই কৈথেল কাখিদে। মফম কয়াদা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মীওই কয়া থোক্তুনা লম্বী থিংখি। ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তনবা চেকশিন্না ঙাক শেনখি। ৱাবগাই হায়স্কুল মপা অমদি ৱাবগাই কৈথেল মচাদা ৱাবগাই হায়স্কুলগী মহৈরোয়শিং অমদি ইমা ইবেলশিং থোক্তুনা লম্বী থিংনবা হোৎনখি।

জে এ সিগী কনভেনর এম মনিশ্বরনা ফোঙদোরকখিবদি ৱাবগাই কেন্দ্রগী মনুংচন্না লৈরিবা ৱাবগাই হায়স্কুলবু স্কুল ফগৎহনসি মিসন্দা য়াওরক্তবা অসি ৱাবগাই, কৈরক, হিয়াংলম, লমজাও অমসুং সেকমাইজিনগী মীয়াম অমসুং মহৈরোয়শিংবু নমথবনি হায়না লৌই। কেন্দ্র অসিগী ওইনা খ্বাইগী মতাইদা লৈবা ককচিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলবু মিসন অসিনা কোনশিনখিবা অসি লৈঙাক্কী অচান মিরাই নাইবা অকুৎপদা লৈতৌবা, অতোংবদা লৈথোনবনি হায়না লৌই।

শেহ্হোক লম্বী লৈতবা লাইরবা মীয়াম্না মচা মশুশিং অফবা স্কুলদা মহৈ তমহনবা ঙমদবা অসিনা তুংদা অফবা করিসু ওইরক্লোই। মীয়াম্বু বন্দ পাম্বা তাহনবিগনু, মীচং মীখাই নাইদনা স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী থোকখিবা ওর্দর অদু অমুক য়েংশিন্দুনা ৱাবগাই হায়স্কুলবু খনগৎপিয়ু। পুং ৪৮ গী বন্দ লোইখ্রবসু মখা তানা মীয়ামগী ৱারেপ লৌরগা করি তৌগদগে হায়বদু চপ চানা লেপকনি হায়রি।

## এৱার্দ য়েহ্হোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২৯ (এস এন এস)ঃ

সোসিয়েল কলচরেল ইন্টিগ্রেসন এন্দ স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন হৈরোক বজারনা শীন্দুনা ১৩ শুবা লেট কেঐচ ইতোচা মেমোরিয়েল এৱার্দ দিষ্ট্রিব্যুসন ২০১৯ য়েহ্হোকপগী থৌরম লাক্লিবা জুলাই ১ নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা শিজ হোস্পিটাল ওদিটোরিয়ম লাঙ্গোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (এস এন এস)ঃ

সেনিয়র জর্নেলিষ্ট জোসেপ জৌতে (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা জে তোংখো মারনা মশাগী অনাবা অমদগী রিমস হোস্পিটাল ইম্ফালদা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)না অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি। লৈখিদ্রবা জোসেপ জৌতে চুরাচান্দপুরগী বাইবল হিল রেঙ্কাইদগীনি। মহাক চুরাচান্দপুরদা বেজ তৌবা পাউচে মানস্বান্নাথরগী কো–এদিটর ওইনা থবক তৌরম্বগা লোয়ননা সঙাই এক্সপ্রেসকী চুরাচান্দপুর করেস্পোন্দেন্টসু ওইরম্মী হায়রি।

## লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (এস এন এস)ঃ

পেট্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরমদা সোইবম থোইথোইনা ইবা 'য়োৎনা শেম্বা নুপী, নুপী য়োৎ' হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক হৌনবী মতুং ইন্না ফোঙদোকখ্রে।

## মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়নগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (এস এন এস)ঃ

মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুরগী জেনরেল বোদি মীফম ঙসি ইরাবত ভবন ইম্ফালগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্তুনা য়ুনিয়ন অসিগী ২০১৯–২১ গী মীওই ১৩ না শাবা ষ্টেট এগজিক্যুটিভ শেম্বগা লোয়ননা থৌ পুগদবশিং নৌনা খনখ্রে।

এ আই টি য়ু সি মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরী এল সোতিনকুমার, সেক্রেটরী এ সরতচন্দ্র, ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট এম শখি দেবী, ওল মণিপুর অনন্যা ৱার্করস য়ুনিয়ন অর্বান এরিয়া কম্মিটিগী কনভেনর সিঐচ ইবেতোম্বী দেবী, মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইন্দ্রানি দেবী, ভাইস প্রসিদেন্ট এম নুপীমচানা পূন্না থৌরম মপু ওইখি।

য়ুনিয়ন অসিগী নৌনা থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি ৱাই ইন্দ্রানি দেবী প্রসিদেন্ট, এম নুপীমচা দেবী ভাইস প্রসিদেন্ট, এন ইবেতোম্বী দেবী সেক্রেটরী, টি অরুনা দেবী জোইন্ট সেক্রেটরী অমসুং কেঐচ মিনা ট্রেজররনি হায়রি।

## ট্রান্সপোর্ট মুতিয়াশিংনা প্রোটেষ্ট তৌদৌরি

ইম্ফাল, জুন ২৯ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর মুতিয়া ৱার্করস য়ুনিয়ন ইম্ফালনা মখোয়গী পোৎ থাংদোক–থাংজিন, লৌথোক–লৌশিনগী খূৎশুমন হেনগৎহনবিনবা গুদস ট্রান্সপোর্টরশিংদা তকশিল্লদুনা লাক্লিবা জুলাই ১ নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রোটেষ্ট তৌগদৌরি।

য়ুনিয়ন অসিনা দিমান্দ তৌরিবদি চাকা ১২ পানবা গারীগীনা লুপা লিশিং ৩, চাকা ১০ পানবা গারীগীনা লুপা ২৭০০, চাকা ৬ পানবা গারীগীনা লুপা ২৪০০, লোকেল্লগীনা লুপা ১০০০, ষ্টৌকিং তোনগীনা লুপা ২০০, লোদিং অমসুং অনলোদিংগী লুপা ৫০০ দা হেনগৎনবা হায়বসিনি।

## ষ্টেট লেভেল হেন্দ–ৱাস কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (এস এন এস)ঃ

এদুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা অহানবা ষ্টেট লেভেল হেন্দ – ৱাস কম্পিটিসন ঙসি সি সি হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

কম্পিটিসন অসি গভর্ণমেন্ট অমসুং এদেদ স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিং কাঙলূপ ৩ থোক্লা খায়দোক্তুনা শরুক য়াখি। তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট অমসুং জোন ১৭ তগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল হেন্দ–ৱাস কম্পিটিসন্দা রিকমেন্দ তৌরকপা কেটেগোরি খূদিংমক্কী খ্বাইদগী অফবা অঙাং অহুম অহুম খনগৎলগা ষ্টেট লেভেল কম্পিটিসনদা শরুক য়াখিবনি। পূন্না দিষ্ট্রিক্ট অমসুং জোনশিংদগী মহৈরোয় ৪৯ রিকমেন্দ তৌরকখি।

স্কুল হেলথ প্রোগ্রামগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা ক্লাস ৱানদগী ফাইভ ফাওবগী অহানবা কাঙলূপ্তা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী তুইবোং হায়স্কুলগী মহৈরোয় নেংঙৈলিং লুফেংনা অহানবা, ফেজরোল দিষ্ট্রিক্টকী সি জালেন প্রাইমারি স্কুলগী চীংবাইকনুংনা অনীশুবা অদুগা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী জে এম বাবুপরা জুনিয়ার হায়স্কুলগী টিঐচ এহেন সিংহনা অহুমশুবা তাখি।

ক্লাস সিক্সতগী আইট ফাওবগী কাঙলূপ্তা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈ হায়স্কুলগী মহৈরোয় থোকচোম লনচেনবী চনুনা অহানবা, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মোদেল ভিল্লেজ গভর্ণমেন্ট হায়স্কুলগী মহৈরোয় গ্লোরিয়া কামনৈনা অনীশুবা অদুগা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী জফৌ অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী এন জি ক্লেরিসা মোন্সাংনা অহুমশুবা তাখি।

ক্লাস আইট মথক্কী কাঙলূপ্তুনা ফেজরোল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সরফুইনেক জুনিয়ার হায়স্কুলগী মহৈরোয় সারোননা অহানবা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তেন্থা হায়স্কুলগী মহৈরোয় এম সয়ালক্সমী দেবীনা অনীশুবা অদুগা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী তুইবোং হায়স্কুলগী মহৈরোয় নেংনৈহোই হাওকিপনা অহুমশুবা তাখ্রে হায়রি।

## সি ঐচ সি হৈরোক্তা ঙৌদোং খঙদোকপগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, জুন ২৯ (এস এন এস)ঃ

নেস্নেল হেলথ মিসন থৌবালগী মখাদা নেস্নেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইন্দনেস (এন পি সি বি) থৌবালনা শীন্দুনা লেপ্তুনা চৎখরকপা ঙৌদোং খঙদোকপগী কেম্প ঙসি সি ঐচ সি হৈরোক্তা পাঙথোকখ্রে।

এন পি সি বি থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার ডা. কেএসঐচ মেমচা দেবীনা ফোঙদোকখিবদি অসিগুম্বা মখলগী কেম্প থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি অদুবু চপ চাবা মফমদি লেপত্রি। চহী অসিগী অহানবা ওইনা চৎলিবা থা অসিগী ২২ দা পি ঐচ সি লিলোংদা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা ঙসি হৈরোক্তা পাঙথোকপা অসিনা অনীরকশুবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা কেম্পতা মীওই ১৩৭কী মীৎ য়েংখি। মদুদা মীওই ২৫ দি ঙৌদোং লৈরে হায়বা খঙলে। মখোয়শিং অদু লাক্লিবা জুলাই ৯ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লেম্না ওপরেসন তৌরগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## উ চারা থাবগী থবক মফম কয়াদা চৎখরি

ইম্ফাল, জুন ২৯ (এস এন এস)ঃ

এনভাইরোনমেন্ট দে অমসুং বনমহৎসবকা মরী লৈননা উ চারা থাবগী থবক মফম কয়াদা চৎখরি।

শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইদা লৈবা দিফরেন্টলি এবলশিংগী স্কুলগী অকোয়বদা মহৈ চাবা য়াবা হৈনৌ, জাম, পুংতোননচিংবা উ চারা কয়া ঙসি থাখ্রে। ডাউজি সোসিয়েল কলচরেল একাদেমিনা শীন্দুনা উ চারা থাখিবা অদুদা একাদেমি অসিগী প্রসিদেন্ট গুরুময়ুম গুনবতি দেবীনা লুচিংখি। স্কুলগী প্রিন্সিপাল আর্টি শর্ম্মা, টি দব্লিউ আই আর দি এসকী সেক্রেটরী ব্রোজেন্দ্র শর্ম্মা অমদি ওঝা অমসুং মহৈরোয়শিংসু শরুক য়াখি।

গুনবতি দেবীনা ফোঙদোকখিবদি একাদেমি অসিনা পায়খৎপা থবক থৌরম কয়াগী শরুক অমা ওইনা দিফরেন্টলি এবলশিংগী ওইবা আরলি ইন্টরভেন্সন স্কুলদা উ চারা থাবগী থবক চৎখিবনি। থারিবা উ চারাশিং অসি মরোমদোম হিংবা ঙমদ্রিবফাওবা একাদেমিগী মেম্বরশিংনা শেন্নগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা অমনা ৱাইল্ড লাইভ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি (দব্লিউ বি সি সি) খাঙবোক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা বনমহৎসবকা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ চারা লিশিং ২ রোম থাগদৌরি। দব্লিউ বি সি সিগী চেরোল পল্লদুনা পাউ অসিনা হায়, চহী খূদিংগী জুলাই থাদা পাঙথোকপা উ থাবগী কুম্মৈ বনমহৎসবকা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমদি স্কুলশিংগা খূৎশম্নরগা খুঙ্গং কয়াদা উমং শেমগৎনবা পান্দমদা উ চারাশিং থাদুনা হিংহন্নবা হোৎনগনি।

ওফিস, স্কুল, কলেজ অমদি য়ুমথোঙ খূদিংমক্তসু উ চারা থাদুনা উমং শেমগৎনবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু, মণিপুরগী চীং অমসুং পাৎশিং কনমিন্নসি, লাং থাক্তুনা উচেক ফাবা তৌবিগনু, চীংদা উ–ৱা য়াম্থৎপা, লৈবাক লৌথোকপা লেপ্পিয়ু হায়নসু দব্লিউ বি সি সিগী জেনরেল সেক্রেটরী রোমেস নিংথৌজম্না আপিল তৌরি।

**Form No. 4**

**In the Court of The Chief Judicial Magistrate, Bishnupur**

**CRIL (P) Case No. 8 of 2017**

*Ref. :-FIR10(10)2014WPS*

*U/S : 366/368/342/376/34 IPC*

THE STATE OF MANIPUR

-VS-

Phurailatpam Nanao Sharma (28), S/o Ph. Sunil Sharma of Wangjing Wangkhei, P.O. Wangjing. P.S. Thoubal, Thoubal District

Accused Person

**PROCLAMATION REQUIRING APPEARANCE OF A PERSON ACCUSED**

WHEREAS complain has been made before me that ***Phurailatpam Nanao Sharma (28), S/o Ph. Sunil Sharma of Wangjing Wangkhei, P.O. Wangjing, P.S. Thoubal, Thoubal District*** has committed (or is suspected to have committed) the offence of ***366/368/342/376/34 IPC*** punishable under section ***366/368/342/376/34 IPC*** thereupon issued that the said ***above mentioned accused person*** (name) cannot be found, and whereas it has been shown to my satisfaction that ***above mention accused person*** has absconded (or is concealing himself to avoid the service of the said warrant);

Proclamation is hereby made that the said ***above mentioned accused person*** of ***Wangjing Wangkhei, P.O. Wangjing, P.S. Thoubal, Thoubal District*** is required to appear at (place) before this court (or before me) to answer the said complaint on the **9th** day of **August 2019 at 10.30 a.m.**

Sd/-

**(Mona Lisa Maibam)**

Chief Judicial Magistrate

Bishnupur

Dated, this the **28th** day of June **2019**

*SL/B(Rabi T)/30*

## গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ কেম্পসতা উহৈ চাবা য়াবা উ চারাশিং থাখ্রে




ইম্ফাল, জুন ২৯ (এস এন এস)ঃ

রিজনেল সি আর পি এফ ফেমিলি ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন (আর সি দব্লিউ এ) সি আর পি এফ গ্রুপ সেন্টর ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙসি সেন্টর অসিগী কেম্পসতা পুংতোন অমসুং অশোকা চারা ২০০ রোম থাখ্রে।

ঈশিং নুংশিৎতা মোৎশিল্লক্লিবা অসিদগী কন্নবগীদমক ঐখোয়গী অকোয়বগী ফিভম ফগৎহন্নবা পূন্না হোৎনমিন্নবগী মীৎয়েংদা আর সি দব্লিউ এনা তোঙান তোঙানবা মহৈ চাবা য়াবা য়াওনা উ চারাশিং থাখিবনি। মদুদা গ্রুপ সেন্টর লাংজিংগী দি আই জি আই লোকেন্দ্র সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। অদুগা ওফিসারশিং এস ওশিং, জৱানশিং, এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

অফবা অমসুং অশেংবা অকোয়বগী ফিভম ওইহন্নবা হোৎনবদা ওফিসারশিং, আর সি দব্লিউ এগী মেম্বরশিং অমসুং অঙাংশিংনা মপূং ফানা শরুক য়াবদা আই লোকেন্দ্র সিংহ দি আই জিনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা উ থাজিনবা অমসুং উ ৱানা মীওইবা ঐখোয়দা পীরিবা কান্নবশিং নৌহৌননা নীংশিংখি। উ ৱা মাঙশিল্লকপনা ইরোসন অমসুং পোলুসন থোকহনবদা নত্তনা চানবা চীঞ্জাক পুথোকপদসু খুদোংচাদবা থোকহল্লি। লমলক্কী শা উচেকশিং হিংহনবা হায়বসি উ ৱাগী মখা য়াম্না পোল্লি। উ ৱানা ঐখোয়দা চীঞ্জাক পীবদা নত্তনা শা উচেকশিংগী ময়ুমসু ওই হায়নসু ফোঙদোকখি। গভর্ণমেন্টনা এনভাইরোনমেন্টকা মরী লৈননা পায়খৎলিবা স্কিম কয়াদসু মহাক্লা পূক্নিং থৌগৎখি।

## এমসু খাঙবোক ব্রাঞ্চনা মহৈরোয়শিং পূক্নিং থৌগৎখ্রে

থৌবাল, জুন ২৯ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) খাঙবোক ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা খাঙবোক খুঙ্গংগী মহৈরোয়শিং য়াওনা থোইদোক হেন্দোক্লা মীথোই মীহেনবা মহৈরোয়শিংদা মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েহ্হোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

ঙসি খাঙবোক ময়াই লৈকাইদা লৈবা লাই লম থোকফম কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মেরিটোরিয়স ষ্টুদেন্টস এৱার্দ য়েহ্হোকপগী থৌরমদা দিপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল হাওবম রোসিতা দেবী আই এ এসনা অথোইবা মীথুংলেন, এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে হরিদেব শর্ম্মনা থৌরম মপু অদুগা এস পি থৌবাল ডা. সরাংথেম ইবোমচা সিংহ, অহুমশুবা বট্টালিয়ন আই আর বিগী কম্মান্দেন্ট এন হেরোজিৎ মৈতৈ, জোন থ্রি থৌবালগী জেদ ই ও অরাম্বম অনিলকুমার সিংহ অমসুং প্রাইভেট স্কুল দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী চিয়ারমেন কেঐচ মেঙ্গোর মঙাংনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কোহসেমনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ভ এগজামগী কম্মর্স ষ্ট্রিমদা মণিপুরগী ওইনা ৫ শুবা পোজিসন তাখিবী পূর্ণিমা মোইরাংথেম, সাইন্স ষ্ট্রিমদা ১৯ শুবা পোজিসন ফংখিবা রাকেস নিংথৌজম য়াওনা মহৈরোয় ১৪, বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন এগজামদা ২৪ শুবা পোজিসন ফংখিবা এম রঞ্জন য়াওনা মহৈরোয় ১৫, এন ই ই টি–য়ু জি ২০১৯ গী খল্লবা মহৈরোয় ৩, আই আই টিগী খল্লবা মহৈরোয় ১, নেস্নেল অমদি ইন্টরনেস্নেল থাক্কী টাইকুন্দো মশান্নদা গোল্ড মেদল কয়া ফংলকখিবা শান্নরোই অমা, টোম টি ভিনা শীনখিবা অহানবা মেগা টেলেন্ট শো ২০১৯ দা অহানবা পোজিসন তাখিবা কাঙবম সনাথোই অমদি খাঙবোক খুন্দা লৈবা স্কুলশিংগী মরক্তগী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা মার্ক খ্বাইদগী ৱাংনা ফংবা মহৈরোয় ৩–৩ খনগৎতুনা শেলগী মনা য়াওনা সার্টিফিকেট, মোমেন্টো অমসুং লেঙয়ান ফি খুদোল তমখি হায়রি।

## ঙসিগী রাষি ফল (৩০–০৬–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, থবক শেল মরুপ মফম ফগৎপা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১,২,৩ অফবনি।

**বৃষঃ** পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, অচৌবশিংনা চানবিবা, হকচাং ৱাখল নুংঙাইবা, পোৎ লৈবা য়াবা, মিংচৎ হেনগৎপা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ৩,৪,৫ অফবনি।

**মিথুনঃ** শোক্কনবা, শাওনবা থেংনরগনি। গারী তপ্পা থৌগনি। অফবা মীগা লোয়নবা তাবনি। শেল চৎপা, ৱাখল লাঙবা মতম্নি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ৫,৬ ফগনি, ৭ ফত্তে।

**কর্কটঃ** গারী তপ্পা থৌগনি। খৎনবা, শাওনবা, কোক শাবা মতম্নি। শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। কল্লকপা য়াম্মী। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮ ফগনি, ৯ ফত্তে।

**সিংহঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, হকচাং ৱাখল নুংঙাইবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা চানবিবা মতম্নি। লম চৎপা কান্নগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১০, ১১, ১২ অফবনি।

**কন্যাঃ** ফগৎপা, হোৎনবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। থবক শেল মরুপ মফম ফগৎপা, ইমুংদা খরা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১২,১৩,১৪ অফবনি।

**তুলাঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, শেল চৎপা মতম্নি। তপথবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ খরা ফগনি, ১৬ হেন্না ফত্তে।

**বৃশ্চিকঃ** শোক্কনবা, শাওনবা, শেল চৎপা মতম্নি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা হৈ শিংউ। ইমুংদা চরাঙনগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। নক্ষত্র ১৬ ফত্তে, ১৭ ফগনি, ১৮ ফত্তে।

**ধনুঃ** হোৎনবা য়াবা, মরুপ মফম ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, শেল ফংবা, হকচাং ৱাখল নুংঙাইবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ অফবনি।

**মকরঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, থবক শেল মরুপ মফম ফগৎপা মতম্নি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। নক্ষত্র ২১,২২,২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** চয়েৎনবা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবা পাঙথোক্লগনি। শাওদবা ফগনি। হকচাং নুংঙাইরোই। ইমুংদা শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ২৩,২৪ ফগনি, ২৫ ফত্তে।

**মীনঃ** গারী তপ্পা থৌগনি। শোক্কনবা মতম্নি। মীগী মতেং পাংলুগনু। শেল মরম চাদনা চৎলগনি। অরুবা পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৫ ফত্তে, ২৬ ফগনি, ২৭ ফত্তে।



